**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-07-2025)**

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী নুঙবা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা দৈভাইজাং কুকি খুলদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অমদা চিন-কুকি-মিজো আর্মি (সি.কে.এম.এ) গী মীওই মঙা শিরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউ পল্লদুনা হায়-নোংমৈ কাপবগী থৌদোক অদু নুঙবা হেদক্বাটরসতগী কিলোমিটর ৫৩ চৎলগা লৈবা য়ামা মনুং হুনজিনবা কুকি খুল অমদা ঙরাং অহিং থেংবদা থোকখিবনি। মীশি অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা লুচিংবা টিম অমা মফম অদুদা চংশিনখ্রে। মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি), ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মনিপুর (অন্সম), নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন অমসুং নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটস-সাউথকী মীহুৎশিংগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা নাগা লুচিংবশিং অদুনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অমসুং বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু রাজ্যপালদা মরিক চুমা পাউদমদুনা খঙহনখি। রাজ্যপালনসু মখোয়না পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং অদু মুন্না তাবগা লোয়ননা করি করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

অমরোমদা, পেলেস কম্পাউন্দগী লৈখিদ্রবা মীতৈ সলাই থিয়ামগী অপোকপী থিয়াম কুরানা দেবীগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

**দাইরিয়া (এল)ঃ** ইন্টেসিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোলগী থাখায় অমা চুপা চথুগদবা জিলা থাক্কী স্তোপ দাইরিয়া কম্পেইন ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হৌখ্রে।

কেম্পেইন অসিগী হীরমদি-ইরোমদোম চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা দাইরিয়া লায়নাদগী ঙাকথোকপা, ও.আর.এস. শিজিন্নবা অমদি লু-নান্না লৈবা অসিনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির সব-সেন্টর-লমদেংগা পুন্না খুৎশমা লমদেং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-কে. যাদুমণি, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসর-এন.জি. দয়াবতি অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসার-ডা: যুমনাম কিশোরজিৎনা হায়-কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, দাইরিয়ানা অঙাং অমত্তা শিহন্দবা হায়বসিনি। নোনে জিলাগী ওইনসু চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: আজিন মরিংমৈনা নুঙবা কম্ম্যুনিতি হোল সেন্টরদা কেম্পেইন অসি হৌদোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার-ডা: জেন্দুম গোলমৈ অমসুং নুঙবা এরিয়া ভিলেজ ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-গানফুন কামৈ শরুক য়াখি।

স্তোপ দাইরিয়া কেম্পেইন ঙসি চান্দেল ব্লোক্কী ওইনা কোমলাথাবীদা লৈবা পি.ঐচ.সিদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলগী ষ্টাফশিং, নর্সশিং অমদি আশা ৱাকরশিংনা শরুক য়াখি।

জিলা থাক্কী হেলথ মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমসুং তিকা থাবগী থৌরমশিং হন্না য়েংশিনবী মীফম অমা ঙসি নোনে জিলাগী নুঙবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-

নোনেনা শিনবা থৌরম অদুদা আশা ৱাকরশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তন্বীখি।

**ফ্লেগ (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা জাতিগী ফিরাল নুমিৎকা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম অমসুং নীংতম্বগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা সিম্বোল ওইরিবা জাতিগী ফিরালগী নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয় পুমমক্তা ফিরাল অসিবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা নীংশিংহল্লে। হেন্না নুংশি চান্নবা, থোং মান্নবা, খেৎনবা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোন অমুক হন্না চেৎশিলহল্লসি। জাতিগী ফিরালনা হেন্না ৱাংনা পায়দুনা লাক্কদৌরিবা মীরোলদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনবা ওইরসু হায়রি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়-১৯৪৭ গী জ়লাই ২২ দা মচু অহুমগী ফিরাল অসিবু লৈবাক অসিগী নেসনেল ফ্লেগ ওইনা চৎনখি। ঙসিদি ফিরাল অসিনা ভারত মচাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিল্লি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা দোনবোস্কো হায়স্কুলদসু ঙসি জাতিগী ফিরাল নুমিৎকী পালন অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকখি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী পোষ্টশিংদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি হায়রি।

**ইভিক্সন (এল)ঃ** তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংগী মীৎয়েং মখাদা সরকারগী লম অমদি তুরেল খোঙনুংনচিংবদা লম খোপচিনদুনা য়ুম-কৈ অমদি অতৈ মখল খুদিংমক্কী শাজিল্লিবশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী লমজিং মখাদা থঙ্গাল

বজারগী অকোইবদা ফুট পাথনচিংবদা লম খোপচিনদুনা শাজিল্লম্বা অমদি পোৎ-পৈশিল্লম্বশিং রাজ্য পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিএলশিংনা তকথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী ওইনা নেসনেল হায়ৱে ১০২ য়াওনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং অমদি সরকারগী লমশিংদা লম খোপচিনদুনা শাজিল্লিবশিং থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মশা মশানা শিদোকবা থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা খঙহনখ্রে। হায়রিবা মতম ফাওব অসিগী মনুংদা মশা মশানা খঙনা থবক পায়খৎত্রবদি আইনগী মতুং ইন্না দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না থৌবালগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-এ. অমরজিৎ শর্ম্মনা হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদকী এক্তিব কেস ১৩ লৈরি।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-চহি অসিগী জন্ অমদগী নৌনা শন্দোরকখিবা কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎ অসিদা পোজিটিব ওইখিবা অপুনবা মীশিং ৩৩৯ গী মনুংদা ৩২৬ নাবা ফাগৎলক্তুনা এক্তিব কেস ১৩ খক্তা ঙায়রে। ঙসিগী ওইনা পুন্না মীওই ২৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই তরুক পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ২৪ নি।

**দিএম (এল)ঃ** বিয়াস পুজা অমসুং নিট ফোর পার্ফোমিং ফারমাকোলোজি এদুকেসন ইন ইন্দিয়া-এ সেলেবস প্ররসপেক্টিৱ এস পার এন.ই.পি. ২০২০ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশো অমা ঙসি দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ভারত্তিয়া সিক্সন মন্দল মনিপুর প্রান্ট অমসুং ধনমঞ্জুমরি য়ুনিভরসিতিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা াথৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-ডব্লিয়ু. চান্দবাবুনা হায়-

ভারত্তা অরিবা মতমদগী হৌনা চৎনরকপা ফজরবা চৎন-কাঙলোন কয়া মহৈ মশিং তম্বগী সেলেবসতা হাপ্তুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা খঙহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

**সাইন্স (এল)ঃ** হোম সাইন্স এসোসিয়েসন মনিপুরগী ৫২ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি ইম্ফালগী কৈশামথোং হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-ঐচ. অনুরাধা অমসুং স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস-সলাম সুনিতা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা হোম সাইন্স তম্লিবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**কিমাক্স(এল)ঃ** উমং লাই হরাউবগী থৌরম মনুং চন্না লাইগী থৌগল কৎপা ওইনা উৎনরিবা জগোই ঈশৈ অমদি ফিজেৎ লৈতেংদা হোংলক্লিবা মচৎ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা গভরমেন্ট দান্স কলেজ অমদি ম্যুজিক কলেজ অনিগী কম্পেসতা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কিমাক্সনা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

**বিরেন ঃ** অসাম সরকারনা আইননা য়াদবা মওংদা রাজ্য অদুদা চংশিল্লকপা মীতোপ খন্দোকতুনা মখোয় মখোয়গী মরমদমদা হলহনখিনবা পায়খৎলকপা ইভিক্সন দ্রাইবকী য়েংলগা যুমলোন্নবা রাজ্য নাগালেন্দ সরকারনসু মখোয়রোমদা চংশিল্লক্তনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

নাগালেন্দগী জোইন্ট কম্মিস্নার হেদক্বাটরসনা থোকপা চেরোল অমনা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎতুনা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থিংননবা খঙহনখ্রে। খোঙথাং অসিগী মতাংদা মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-নাগালেন্দ সরকারনা এদভাইজরি থোকখ্রে। মিজোরাম সরকারনসু ম্যান্মরোমদগী চংশিল্লকপা রিফ্যুজি

লিশিং ৩০ হেনবগী বাইওমেত্রিক লৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

**সংসদঃ** তোঙান তোঙানবা ৱাফমদা বিরোধিনা স্লোগান লাউদুনা চরাংনবদগী ঙসি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

নুমিৎয়ুংবদা অহানবা মীফম য়ৈথোক্লুরগা অমুক মীফম মখা চথুবদা লোক সভাদা বিরোধি মেম্বরশিংনা ওপরেসন সিন্ধুর অমসুং বিহারগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন য়াওনা অতৈ ৱাফম কয়া খন্ননবা দাবী তৌদুনা স্লোগান কয়া লাউখি। মখোয়না দাবী তকশিনদুনা সভা ময়াইদা স্লোগান লাউরগা চংশিল্লকখি। সভাপতি ওইনা ফল্লিবা বি.জে.পিগী জগৎ অম্বিকা পালনা বিরোধি এম.পিশিংদা সভাগী মীফম চথুবা য়াহন্নবা আপিল তৌরবসু বিরোধি এম.পিশিংনা করিমত্তা তাবীখিদে। পার্লিামেন্টরি এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি-অরজ্ন রাম মেঘাৱালনসু বিরোধিশিংদা মীফম নীংথিনা চথনবা হায়জখি। তুংদা, সভাগী মীফম নুংথিল পুং অনি ফাওবা য়ৈথোকখি। নুংথিল পুং অনিদা সভাগী মীফম অমুক হৌবদসু চপ মান্নবা ফিভম থোকপদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইবা য়ৈথোকখি।

রাজ্য সভাদসু তোঙান তোঙানবা ৱাফমদা বিরোধিনা য়ানিংদবা উৎপদগী চরাংনবা থোকখি। নুমিৎয়ুংবদা অহানবা ওইনা মীফম য়ৈথোক্লুরবা তুংদা বিরোধিশিংনা বিহারগী ইলেক্তোরেল রোল স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন অদু খন্ননবা অমুক হন্না দাবী তৌখি। চরাংনবা মরক্তুদা সভাগী চেয়ার-বি.জে.পিগী এম.পি. ঘনাশ্যাম তিৱারিনা উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর ফম থাদোকখিবগী গৃহ মন্ত্রালয়গী নোটিফিকেসন সভাদা খঙহনখি। তুংদা, মীফম নুংথিল পুং অনি ফাওবা য়ৈথোকখি। নুংথিল পুং অনিদা সভাগী মীফম অমুক হৌবদসু চপ মান্নবা ফিভম থোকপদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইবা য়ৈথোকখি।

**রাহুলঃ** লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধি য়াওনা বিরোধিগী

এম.পিশিংনা ঙসি সংসদকী মকর দ্বারদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। মখোয়না বিহারদা ইলেক্সন কম্মিসননা স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিয়ু চত্থরিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংখি।

প্লে কাড পায়দুনা অমসুং স্লোগান কয়া লাউদুনা রিভিয়ু অদু তৌবগী মরম অমসুং মদু আইননা য়াৱ্রা হায়বদু শেংদোকবা দাবী তৌখি। স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিয়ু অদু হন্দোকবসু মখোয়না দাবী তৌখি। ৱাকৎ খোঙজং অদুদা কংগ্রেস, এস.পি, আর.জে.দি, টি.এম.সি অমসুং দি.এম.কে. য়াওনা তোঙান তোঙানবা দলশিংগী বিরোধি এম.পিশিং শরুক য়াখি।

**প্রসারঃ** প্রসার ভারত্তিগী সি.ই.ও. অমসুং এসিয়া পেসিফিক ইন্সটিট্যুট ফোর ব্রোদকাষ্টিং দিবলপমেন্ট জেনরেল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট-গৌরব দ্বিবেদিনা হায়রি-তুংদা তঙাইফদনা চংল্লক্কদবা মচাকশিং ফংহনবা ঙমবা প্রসার ভারত্তিনা ন্যুজ রুমশিংদা এ.আই. দ্রিভন সোলুসন পুরকবা মাংজিল থানা হোৎনরি।

কম্বোদিয়াগী সিয়েম রিপতা পাঙথোকপা ২০ শুবা এসিয়া মেদিয়া সমিট ২০২৫ গী হৌদোকপগী মীফমদা শ্রী দ্বিবেদিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স খোংজেল য়াংনা চাউখৎলকপগা লোয়ননা ই-পাউ অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগী উদ্যোগকী মশক নৌনা শেমদোক্লে।

**নাগালেন্দ (এল)ঃ** নাগালেন্দদা নোং কন্না চুবদগী রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমসু লৈঙাং চেন্থরকপগী থৌদোক কয়া থোক্লে। কোহিমাদা পাক শন্না লৈনাং চেন্থরকপদগী ফেসামা অমসুং কিসামা-কিগৱেমা শমবা লম্বীদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে অমসুং লম্বী ফাওনবা য়াদ্রে। লম্বী অসি জন্ থাদা কিসামা মনাক্তা নেসনেল হায়ৱে টু পুল্লপ নমথখিবদগী লাহট মোটোর ভেহিকলশিংগী টেম্পোরেরি বাই পাস ওইনা শিজিন্নদুনা লাকপনি।

কোহিমাগা মনিপুর শমবা নেসনেল হায়ৱে টু অসি মচেৎ খরদি শেমজিনবা

লোয়রে।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরা সরকারনা রাজ্য অদুদা আইননা য়াদবা মওংদা লৈরিবা মরুওইনা রোহিংয়া অমসুং বঙ্গলাদেস মচাশিং মশক খঙদোক্কুনা মরমদা থিন্দোকখিনবা টাক্স ফোর্স অমা শেমলে।

ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-মনিক সাহনা হায়রি-জিলা থাক্কী টাক্স ফোর্সশিংনা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং মশক খঙদোক্কনি অমসুং মখা তাবা থবক লৌখৎকনি। টাক্স ফোর্সশিং অসিনা মীরৈবাক মচাশিং মশক খঙদোক্কুনা মখোয় করম্বা মতমদা ত্রিপুরাদা চংল্লকপনো হায়বদুসু থিদোক্কনি। মমাং চহিদা বঙ্গলাদেসতা ইরাং থোকখিবা মতুং নৎত্রগা হন্দক্তা ত্রিপুরাদা কনা কনা চংল্লকপগে হায়বদুসু টাক্স ফোর্সশিং অসিনা থিজিনগনি।

**উরিষ্যাঃ** লৈবাক শিন থুংনা চথরিবা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লূজনগী খোঙজং অসিগী মখাদা উরিষ্যাগী গ্রাম পঞ্চায়ট লিশিং ৬,৭৯৪ মক কোনশিন্নবা কেন্দ্রগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়েল সাভির্সেসনা ৱারেপ লৌরে।

ভুবনেশ্বরদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা য়ুকো বেঙ্ককী চীফ জেনরেল মেনেজর অমসুং উরিষ্যাগী ষ্টেট লেবেল বেঙ্করস কমিতিগী কনভেন্নর-গৌতম পত্রানা হায়-খোঙজং অসি রাজ্য অদুদা থবক্তা ওন্থোকপদা পাব্লিক সেক্তর বেঙ্কর পুম মক, প্রাইবেট বেঙ্কশিং, রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিং অমসুং মাংজিল থাবা দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর ৩০ না য়েংশিল্লি।

**মহারাস্ত্রঃ** মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচনা ঙসি গরচিরোলি জিলাদা উ চারা কোতি অমা থানবগী খোঙজং হৌদোল্লগনি। খোঙজং অসি রাজ্য শিন থুংনা চথরিবা গ্রীন মহারাস্ত্রা, প্রোসপরস মহারাস্ত্র কেম্পেইনগী মখাদা নক্সলাইটকী ইরাং নংলবা জিলা অসিদা হৌদোকপনি।

**ফুটবোল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলনা য়ুম্বু ওইদুনা সব-জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ-২০২৫-২৬ তা শরুক য়ানবা মনিপুরগী নুপী শান্নরোইশিংগী মিং লাউথোক্লে। খনগৎলবা শান্নরোইশিং অসি থা অসিগী ২৬ তা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা মরি লৈনবা চে চাংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা অস্ফাগী চেরোল সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোল ঃ** পঞ্জাবকী সয়িদ জাদা ফতে সিংহ ফুটবোল ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা জ্নিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডা: ভি.সি. রোই ট্রোফিগী মেটচ অমদা মনিপুরনা উরিষ্যাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু খুৎলৈবম সুলতান অমসুং অমোম খৃষ্ট সিংহনা চনখি।

**ফুটবোল** ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অনিশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী অনৌবা ফিকচর থোক্লে।

হয়েং লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা অয়ুক পুং ৯ দা অসুফি অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ শান্নগনি। নুংথিল পুং ১২ মিনিট ১৫ দা এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসন অমসুং অংথা এফ.সি. শান্নগনি।